বেষ্ট ওফ অম্মিক ২০১৯

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯ (ঐচ এন এস): অপূনবা মণিপুর মতম ঈশৈ কাঙলুপ (অম্মিক) না চহী খুদিংগী পাঙথোক্তুনা লাকপা ষ্টেট লেভেল ঈশৈ কম্পিটিসন বেষ্ট ওফ অম্মিক ২০১৯ গী স্ক্রিনিং ইম্ফাল ৱেষ্টকী ওইনা থা অসিগী ২২ দা পাঙথোক্লগনি। প্লিলিমিনরি রাউন্দনা থা অসিগী ২৯ দা পাঙথোক্লগনি হায়না অম্মিক্কী ওফিস সেক্রেটরি সুরেশ কোইজমনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, ফোর্ম লৌখিবা কম্পিটিটরশিংনা স্ক্রিনিং নুমীৎ থা অসিগী ২২ গী অয়ুক পুং ১১ তাবদা অম্মিক্কী হেদ ওফিস য়াইস্কুল জন্মস্থানদা লাকপীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

নেসনল সেমিনার পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯ (ঐচ এন এস): জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদেমীনা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমীগা খুৎশম্নদুনা থা অসিগী ২০ দগী ২৩ ফাওবা জে এন মণিপুর দান্স একাদেমীগী ওদিটোরিয়মদা নেসনল সেমিনার ওন মণিপুরী দান্স এন্দ ম্যুজিক পাঙথোক্লগনি হায়না একাদেমী অসিগী সেক্সন ওফিসর সী ঐচ গোপেশ্বরনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, আর্ট এন্দ কলচর মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা সেমিনার অসি হৌদোকপগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইগনি। মণিপুরী দান্সকী গুরু আর কে সিংহজিৎ অমদি দান্স একাদেমীগী ভাইস চেয়রমেন প্রোফেসর ঐচ তোম্বীনা মথংশিংনা গেষ্ট ওফ ওনর অমসুং প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াগনি। থা অসিগী ২৩ দা পাঙথোক্কদৌরিবা সেমিনারগী লোইশিনবগী থৌরমদা এম পি, ডা. আর কে রঞ্জন অমদি রিটায়ার্দ আই এ এস, আর কে নিমাইনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট অমদি প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াগনি হায়রি।

ব্লদ দোনেসন কেম্প পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯(ঐচ এন এস): ভলন্টরি দোনরস গ্রুপ মণিপুরনা শীন্দুনা নোংমগী ওইবা ব্লদ দোনেসন কেম্প অমা লাক্লিবা দিসেম্বর ২০দা রিমসকী ট্রান্সফ্যুজন মেদিসিনদা পাঙথোক্লগনি। অয়ূক পুং ১০দগী হৌগদবা ব্লদ দোনেসন কেম্প অসিদা মশাগী চহী ১৮দগী ৬৫ ফাওবদা লৈবা মশা-মউ ফবা মীওইশিংনা শরুক য়াবীয়ু হায়নসু ভলন্টরি দোনরস গ্রুপ মণিপুরগী সেক্রেটরি ঈ লোকেন্দ্রোনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

ইমোইনু ফেষ্টিভেল পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯(ঐচ এন এস): ইমোইনু ফেষ্টিভেল কম্মিটি, লিগ ওফ কেলো পেট্রিওটস (এল সী পি)না মহৌশাগুম্না ৪৩শুবা ইমোইনু ফেষ্টিভেল ২০২০ ইনাৎকী চৎনবী ঙাক্না নাৎকী কুম্ধে অমদি মৈরাগী লৈতেং কয়াগা লোয়ননা লাক্লিবা জনুৱারী ৭তা ৱাঙ্খে নিংথম পুখ্রি মপাল ইমোইনু মশাইকোনদা পাঙথোকচরগনি। ইমাগী শেংলবা নুমীৎ অসিদা ইরৈবাকচাশিংনা য়ুমথোঙ য়ৈনা উচান মৈরা কৎপীদুনা ইমাবু ইরাৎপীবগা লোয়ননা ইমাগী থৌগল তৌবীনিংবশিংনা মাংজৌননা প্রোগ্রাম ইন-চার্জকা উনবীনবা নীংশিংজরি হায়না ৪৩শুবা ইমোইনু ফেষ্টিভেল কম্মিটি ৱাঙ্খে নিংথেম পুখ্রি মপালগী ওর্গনাইজিং সেক্রেটরি ঐচ রোশিনিকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

জি আই পাইপশিং খূৎশিন্নখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯(ঐচ এন এস): ১৮২ বট্টালিয়ন বি এস এফ কোইরেঙ্গৈনা কামজোং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা মফৌগী সী আই পোষ্টনা কোনবা নোংদম তাঙ্খুলগী খুঞ্জাশিংদা থক্লবা অফবা ঈশিং ফংহন্নবগী পান দমদা জি আই পাইপশিং তেংবাং ওইনা খূৎশিন্নখ্রে হায়না ১৮২ বট্টালিয়ন বি এস এফকী দেপ্যুটি কম্মান্দেন্ট এ শশিকান্তনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, নোংদম তাঙ্খুলগী খুঞ্জাশিংদা জি আই পাইপশিং অদু ওফিসিএটিং কম্মান্দেন্ট, ২ আই সী, অৱাদেশ কুমার, দেপ্যুটি কম্মান্দেন্ট এস লেম্বা অমসুং এ শশিকান্তা য়াওনা বি এস এফকী পর্সনেল কয়ানা খূৎশিন্নখিবনি। থৌশিল অসি সিক্যুরিটি ফোর্সকা মীয়ামগী মরক্তা লৈনরিবা মরী চেৎশিনহন্নবা অমসুং খুঞ্জাশিংদসু থক্লবা অফবা ঈশিং ফংহন্ননবা পান দমদা পায়খৎখিবনি। খুঞ্জাশিংগীদমক য়েংলগা অসিগুম্বা খোঙথাং অসি পায়খৎপনি। লমদম অসোমগী মীয়ামগী অফবা থক্লবা ঈশিং ফংহন্নবগী মীৎয়েংগা লোয়ননা পায়খৎপনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারক্লি।

মণিপুরী দান্স এন্দ ম্যুজিক্কী সেমিনার পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯ (ঐচ এন এস): কুমজা ১৯৭১ দা পাঙথোকখিবদগী মতুং তারকপদা পাঙথোকপা ঙমদনা লাকখিবা মণিপুরী দান্স এন্দ ম্যুজিক্কী নেসনল সেমিনার জে এন মণিপুর দান্স একাদেমীদা পাঙথোক্লগনি হায়না সেমিনার কম্মিটিগী চেয়রমেন প্রোফেসর এন তোম্বীনা ফোঙদোকখ্রে।

জে এন মণিপুর দান্স একাদেমীগী হোলদা পাউমীশিংগা উনবদা এন তোম্বীনা হায়খি, কুমজা ১৯৭১ দা দান্স এন্দ ম্যুজিক্কী সেমিনার পাঙথোকখি। মসিগী মতুংদা পাঙথোকপা ঙমদনা লাকখি। মণিপুর কলচরদা ইনাক খুল্লি হায়রিবনি। মণিপুরগী কলচর খক নত্তনা ইন্দিয়াগী ওইবা করন্না চাউখৎকনি হায়বসি নৈনবা ৱাৎলি। পাঙথোক্কদৌরিবা সেমিনার অসি ট্রেদিসনল অমসুং ফোকতা য়ুম্ফম ওইবনি। মপানগী স্কোলার ২৭ য়াওনা টোপিক ৮ দা পেপর পাগনি। জগোয়, রাস, নট সঙ্কীর্ত্তন, গৌরা লীলানচিংবা কয়াসু য়াওগনি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

জে এন মণিপুর দান্স একাদেমীগী ভি সী, ঐচ তোম্বীনা ফোঙদোকখিবদা, মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমী অমসুং দান্স একাদেমী পুল্লগা কুমজা ১৯৭১ দা সেমিনার অদু পাঙথোকখিবনি। অনৌবা কয়া অমসু য়েংগনি। ট্রেদিসনল আর্ট ফোর্ম ৱারী লীবনচিংবসু মাঙশিল্লক্লিবনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমীগী সেক্রেটরি কেশোর্জিৎনা ফোঙদোকখিবদা, সেমিনার অসি পর্ফোমিং আর্টকীনি। কুমজা ১৯৭১ দা পাঙথোকপা অদুগী মতুংদা হৌজিক পাঙথোক্লবা শেমশারি। মণিপুরগী ওইবা সেমিনারনি। চীং-তম ফুরুপ খুদিংমক্কীনি। মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমীনা লাইরিকসু ফোঙগনি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

জে এন মণিপুর দান্স একাদেমীগী দিরেক্টর উপেন্দ্রোনা ফোঙদোকখিবদা, সেমিনার অসিদা মণিপুরদগী মীওই ৩০ অমসুং মপান্দগী ১৪ না পেপর পাগনি। জগোয়-ঈশৈ অমদি চীংগী ফুরুপশিংগী লৈরিবা কয়া অসিসু য়াওগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। পাউমীশিংগা উনখিবা অদুদা প্রধান গুরু আর কে রোবিন্দ্রোসু শরুক য়াখি।

স্কুল কেন্টিন, হোষ্টেলগী রেগ্যুলেসন লাকপগা ইমপ্লিমেন্ট তৌনবা হোৎনগনি : রাধেশ্যাম

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯ (ঐচ এন এস): স্কুল অঙাংশিংনা চারিবা চীঞ্জাকশিংগী মতাংদা স্কুল কেন্টিন অমদি হোষ্টেলশিংদা ফংহনফম থোকপা চীঞ্জাক্কী মতাংদা রেগ্যুলেসন অমা ফসাইনা হেক পীরকপগা ইমপ্লিমেন্ট তৌবা হৌগনি হায়না এদ্যুকেসন মিনিষ্টর টি ঐচ রাধেশ্যামনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি এসেম্ব্লী মীফমদা এম এল এ পাউনম ব্রোজেননা বোর্দিংদা লৈরিবা মহৈরোয়শিংদা পীজবা চীঞ্জাক্কী মতাংদা মেটর ওফ পব্লিক ইন্টরেষ্ট দিস্কসন মোসন পুখৎলদুনা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিংগী পাউখুম পীরদুনা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর টি ঐচ রাধেশ্যামনা হায়খি, তুংগী য়ুম্বী ওইগদৌরিবা অঙাংশিংবু মশা-মউ ফহনবা হায়বসি য়াম্না মরুওইবা অমনি। ফসাইগী মায়কৈদগী অথুবদা রেগ্যুলেসন অমা পুথোরক্কদৌরি। স্কুল অঙাংশিংনা চা-থক্কদৌরিবা কান্টিনশিং অমসুং হোষ্টেলশিংদা ফংহনগদবা চীঞ্জাক্কী কাঙলোনশিংগী মতাংদা রেগ্যুলেসন অসি হেক পুথোরকপগা ষ্টেট অসিদসু ইমপ্লিমেন্ট তৌনবা থবক পায়খৎকনি। ফুদ সেফ্‌টি এন্দ ষ্টেন্দর্দ এক্টসু লৈ। ফসাইনা অনৌবা রেগ্যুলেসন অমসু পুথোরক্কদৌরি। স্কুল অঙাংশিংদা পীজ-পীথক্কদৌরিবা চীঞ্জাকশিং অসি হকচাং শোক্লোইদবা অমদি হকচাংদা কান্নবা ওইগদবনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

মেটর ওফ পব্লিক ইন্টরেষ্ট পুখৎলদুনা এম এল এ পাউনম ব্রোজেননা হায়খি, বোর্দিংদা লৈরিবা অঙাংশিংদা পীজরিবা চীঞ্জাক অসি করম্বা মওংদা পীজরিবগে হায়বসি নীংথিনা য়েংশিনবা মথৌ তাই। নুমীৎ ৪৫ নিদা চাউবা ব্রোইলর তোয়না পীজবা অসিনা অঙাংশিংদা হকচাংদা করি ওইরক্কদগে হায়বসিসু খন্নমিন্নবা চঙই। বোর্দিংনচিংবদা লৈরিবা অঙাংশিংনা করি-করি চীঞ্জাক চারিবগে হায়বসি য়াম্না কুপ্না য়েংশিনবগী তঙাইফদবা লাক্লে। মমা-মপা ওইরিবশিংনা থবক চিন্নবদগী মচা ওইবশিংবু বোর্দিংদা থম্নবা য়াওই। বোর্দিংদা থম্বা অঙাংশিং হয়েং হকচাংগী ফীভমদা করি ওইরকপা হায়বসিসু চীঞ্জাক্কী মখা য়াম্না পোল্লি। ফৎতবা চীঞ্জাকশিং চারক্লবদি মশা ফরক্লোই। ইচা-ইশু হায়বসি মমা-মপা ওইবশিংগীদি লননি। মচাশিং ফরগা পুন্সিদা নুংঙাইগনি হায়দুনা ফনবা শেম্নরিবা ঙাক্তনি। বোর্দিংদা থল্লিবা অসিসু মচাশিংবু ফহন্নিংবদগীনি। বোর্দিংশিংদা কাঙলোন চুম্না চীঞ্জাকশিং ফংহন্নবা মীৎয়েং তঙাইফদে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

অঙাংশিংবু মশা-মউ ফনা থম্বা হায়বসি য়াম্না মরুওইবা ওইবনা হীরমসিদা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টনা অখন্নবা মীৎয়েং চঙফম থোকই। অফবা চীঞ্জাক ফংহন্নবা অখন্নবা কাঙলোনশিং নীংথিনা চৎনরবদি অঙাংশিং মশা-মউ ফবদা মতেং ওইগনি। হকচাং ফবা হায়বসি চীঞ্জাক্কা মরী লৈনৈ হায়নসু মখা তাখি।

‘অচুম্বা ঙাংবশিং য়েক্নবনি খনবগী মহুৎতা রেপিষ্টশিং চৈরাক পীয়ু’

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯ (ঐচ এন এস): অচুম্বা ঙাংবশিং লৈঙাক্কী য়েক্নবনি হায়না খনবগী মহুৎতা রেপিষ্টশিং চৈরাক পীয়ু হায়না য়ুথ ফোরম ফোর প্রোটেক্সন ওফ হ্যুমেন রাইটসকী মেম্বর এল কে সরোজ খাননা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উনবদা মহাক্না হায়খি, ক্রিটিসাইজ তৌবশিং হেক্তা কিহন-খঙহনবা করি অশোয়বা লৈবগীনো। থাঙ্গা-করাংদা মীরোনবী অমা হিদা অঙাং উনবদা অঙাং লৈখিদবা অসি লাইবক থীবনি। ওপিনিয়ন স্যের তৌবদা য়েক্নবনি খনবা য়াবা ঙম্লোই। কিহন-খঙহনবা খুদক্তা লেপ্পীয়ু। নুপী-অঙাংদা ক্রাইম চথবা মীওইশিং ওইনা চৈরাক পীবীয়ু। রেপ কেসকুম্বদা চেন্নবশিং ফারগা চৈরাক পীবীয়ু। তোঙান তোঙানবা রেপ কেসকী থৌদোক কয়া থোকপা লৈরিবনি। অসিগুম্বা কেসশিং অসিদা চপ চাবা থবক পায়খৎপা চঙই। ফাবা ঙমদবা মীওই কয়া অমসু লৈরিবনি। অসিগুম্বা মীওইশিং অসি ফাদুনা চৈরাক পীনবা হোৎনফম থোকই। রাইট টু ফ্রীদম ওফ স্পিছ এন্দ এক্সপ্রেসনগী মখাদা ওপিনিয়ন খরা পীবগী হেক্তা কিহন-খঙহনবা অমদি ফাবা পূনবগী থবক চথবা লেপ্পীয়ু হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

ষ্ট্রাইক মায় পাকহনবীবগীদমক থাগৎলি : সী পি আই

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯(ঐচ এন এস): সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট এক্ট ২০১৯গী মায়োক্তা সী পি আই, সী পি আই-এম, এ আই এফ বি, আর এস পিনা ঙসি অয়ূক পুং ৬ তগী কৌখিবা জেনরেল ষ্ট্রাইকপু হায়নবা তৌদনা মীয়াম্না মায় পাকহনবীবগীদমক মীয়াম্বু সী পি আইগী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোকচরি হায়না সী পি আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি এম জয়কুমার লুৱাংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, এন্টি-নেসনল, এন্টি-কন্সটিট্যুসনেল ওইবা সী এ এ অসিনা মণিপুরদা শোকহল্লক্কদবা, চহী ২০০০গী পুৱারী লৈজরকপা লমদম অসিবু মাঙহন-তাকহন্নবা হোৎনরিবা থৌশিল অসিদগী পার্টি মরিনা ওল ইন্দিয়াগী ওইনা ষ্ট্রাইক অসি চথবনি। জেনরেল ষ্ট্রাইক অসিগী মরুওইবা অদু খঙবীদুনা কৈথেল ফম্বী ইমা-ইবেলশিং, দুকান ফম্বা মরূপ-মপাং পূম্বা, স্কুল-কোলেজগী ওজাশিং, মহৈরোয়শিং, পেসেঞ্জর সর্ভিস তৌরিবশিং য়াওনা পূম্নমক্না জেনরেল ষ্ট্রাইক অসিবু শৌগৎপীবগীদমক নুংঙাইবা ফোঙদোকচরি। লোয়ননা মীয়াম্না তাল্লিবা দিমান্দ অসি মায় পাক্লগনি খল্লি। সী পি আইগী ষ্টেট সেক্রেটরিয়েটকী মেম্বর নোংথোম্বম সিংহজিৎপু ঙরাং অহিং মণিপুর পুলিসনা ফাজিনখিববু অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই। ঙসি সী পি আইগী ভলন্টিয়রশিংনা খুরাই, ক্ষেত্রিগাও, নম্বোল, বিষ্ণুপুর, কুম্বী, লিলোং, থৌবাল, ৱাংজিং, ককচীং, ককচীং খুনৌ, লম্লাই, লমশাং, পাৎসোই খম্নম লৈরক্নচিংবা মফমশিংদা সী এ বিগী মায়োক্তা ৱাকৎ মীফম ফমখি।

অমরোমদা, সী এ এগী মায়োক্তা নম্বোলদা ফমখিবা সিট ইন প্রোটেষ্টতা শরুক য়াখিবা সী পি আইগী মেম্বরশিং পুলিসনা ফাজিনখিবা অসি য়ানিংদে। নম্বোল বজারগী হাও কৈথেল মার্কেট কমপ্লেক্সতা চথখিবা সিট ইন প্রোটেষ্ট মফমদগী নম্বোল অমসুং কোম্থৌজম লোকলগী ভলন্টিয়রশিং নম্বোল পুলিসনা ফাজিনখিবা অসি দেমোক্রেসিবু মচীন মেন্নবা হোৎনবনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারক্লি।

ইন্দিয়া সেক্যুলরিজম চৎপনা নুংঙাইবা পোকই : এম ওকেন্দ্রো

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯ (ঐচ এন এস): সেক্যুলরিজম চৎপা ইন্দিয়া ওইবা মরম্না নুংঙাইবা পোকই হায়না হান্নগী মিনিষ্টর মোইরাংথেম ওকেন্দ্রোনা ফোঙদোকখ্রে।

কেন্দ্রিয়া বিদ্যালয়া নম্বর ৱান ইম্ফালগী ৫৪ শুবা এন্যুএল দে থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা মোইরাংথেম ওকেন্দ্রোনা হায়খি, স্কুল অসিগী মহৈরোয়শিংগী পর্ফোমেন্স উবা ফংলে। কলচর অমসুং দিসিপ্লিন কয়া অসিদা নুংঙাইবা পোকই। পুক্লিং নুংশিবা অমসু ওই। রিটায়ার্দ তৌখ্রবা প্রিন্সিপালদুনা মঙজরম্বা মঙলান মঙফাওনরে। ইন্দিয়াগী ওইনা য়েংবদসু মায় পাক্লবা স্কুল অমনি। পেরেন্টস এসোসিএসন শেমদুনা অঙাংশিং ফগৎনবা হোৎনরি। স্কুল চাউখৎনবসু হোৎনরি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

থৌরম অদুদা কেন্দ্রিয়া বিদ্যালয়া নম্বর ৱানগী প্রিন্সিপাল মহেশ্বরনা প্রসিদেন্ট ওইখি। ১০৯ বট্টালিয়ন সী আর পি এফকী কম্মান্দেন্ট বিনোদ কুমারনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইখি। স্কুল অসিগী মার্ক ৱাংনা ফংবা মহৈরোয় অমদি তোঙান তোঙানবা লমদা মকোক-মথং তারবশিংদা মনা য়েন্থোকখি। জগোয়-ঈশৈসু উৎখি। থৌরম অদুদা স্কুল অদুগী ওজাশিং, মহৈরোয়শিং অমদি মহৈরোয়শিংগী অহল-লমন কয়াসু শরুক য়াখি।

কোংবা শৌদোংপুং লম্পাক্তা মাও কৈথেল ফম্নগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯(ঐচ এন এস): ওরেন্টেল লেভেলর এসোসিএসন, ৱাংখৈ কোংবগা মাও-ইম্ফাল মার্কেট কোওর্দিনেসন কম্মিটিগা খুৎশম্নদুনা কোংবা শৌদোংপুং লম্পাক্তা হয়েং মাও কৈথেল ফমগনি হায়না কম্মিটি অসিগী কনভিনর খুরাইজম অথৌবনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, কুমজা ২০১৫ দা মাও মীয়াম্বু নাগালেন্দদা পোৎচৈ য়োনবদা সাউদর্ন অঙ্গামিনা অথিংবা পীবদা নত্তনা চৎথোক-চৎশিন্দা অয়েৎপা পীরকখি। মাও মীয়ামগী মনা-মশিং য়োনফম লৈরক্তদুনা হিংনবগী লানফমদা অচৌবা পোৎলুম অমা পুরকপদগী লমদমসিগী সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন (ইপসা, পান্দম, অকোম লূপ, ইপাক, কংলামৈ, কে আই এল, সী এল কে অমদি কে এস এ)না মাও মীয়ামগীদমক লেপ্পগা লোয়ননা ইম্ফালদা পুরকহন্দুনা য়োনবা হৌরকখি। মাও-ইম্ফাল মার্কেট কোওর্দিনেসন কম্মিটি শেমদুনা কম্মিটি অসিগী মখাদা লমদম অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদুগী ক্লব, ওর্গনাইজেসনশিংগা খুৎশম্নদুনা মাও কৈথেল চয়োল অমদা অনীরক হায়বদি লৈবাকপোকপা অমদি ইরাই নুমীৎতা হাংদোক্তুনা লাক্লি। মসিগী শরুক অমা ওইনা হয়েং কোংবা শৌদোংপুং লম্পাক্তা মাও কৈথেল ফমগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

কেলেন্দর ফোঙলিবা, হোলিদে লিষ্ট থোক্লিবা লোয়শঙগী মায়কৈদগী মীৎয়েং চঙদুনা অনী থোক্তনবা হোৎনসি : বোর্দ

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯ (ঐচ এন এস): লৈঙাক্কী কেলেন্দর ফোঙলিবা অমসুং হোলিদে লিষ্ট ফোঙলিবা লোয়শঙগী মায়কৈদগী চপ চাবা মীৎয়েং চঙদুনা অনী থোক্তনবা হোৎনসি হায়না কংলৈপাক কেলেন্দর বোর্দকী জেনরেল সেক্রেটরি সোরাইশম সঞ্জিৎনা ফোঙদোকখ্রে।

সগোলবন্দ মোইরাং লৈরক্তা লৈবা সাউথ ইষ্ট এসিয়া কলচরেল ওর্গনাইজেসনগী ওফিসতা পাউমীশিংগা উনবদা সোরাইশম সঞ্জিৎনা হায়খি, চহী অসিদা নিংঙোল চাক্কৌবা অনী থোকখিবগুম কুমজা ২০২০ দসু অনী থোকপগী ফীভম লৈরে। অসিগুম্বা ফীভম অসি থোক্তনবা লৈঙাক অমসুং কেলেন্দর ফোঙলিবা লোয়শঙগী মায়কৈদগী চপ চাবা মীৎয়েং চঙদুনা অনী থোক্তনবা হোৎনসি। কেলেন্দর বোর্দনা লৌরিবা নুমীৎ অসি ইন্দিয়ন এষ্ট্রোনোমি কোলকাটাদা বেজ তৌদুনা হোৎপনি। কুমজা ২০২০ গী ওইনা লেংদবা ছুটি মশিং মণিপুর লৈঙাক অমসুং মসিগা মরী লৈনবা লোয়শঙনা থোকপা কেলেন্দরগা বোর্দনা থোকপগা চপ মান্নে। অদুবু নিংঙোল চাক্কৌবগী মতাং অসিদি অনী থোকপগী ফীভমদা লৈরে। কুমজা ২০২০ গী নবেম্বর ১৬ নুমীৎ অসি হিয়াঙ্গৈগী নোংমা, নীনি পুল্লপ পাল্লি। অয়ুক পুং ৭.০৬ তগী হিয়াঙ্গৈদগী নীনি পানবা ওইরে। লৈঙাক্না লিষ্ট থোকপদা নিংঙোল চাক্কৌবা অসি কুমজা ২০২০গী নবেম্বর ১৭ তাই। নুমীৎ অসি হিয়াঙ্গৈগী হুন্নী পাল্লি। মতৌ করম্না ওইরিবনো। লান্না চৎখ্রবদি তুংদা অশোয়বা লাকপা য়াই হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

‘ষ্টেট কেবিনেটকী ৱারেপ হীরম অমত্তদা য়াবা ঙম্লোই’

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯(ঐচ এন এস): মণিপুর কঞ্জার্ভেসন ওফ পেদিলেন্দ এন্দ ৱেটলেন্দ এক্ট ২০১৪গী মখাদা কুমজা ২০১৪গী মতুংদা লৌফমশিংদা য়ূম-কৈ শাজিল্লকখিবশিংগী মথক্তা এক্সন লৌখৎকনি, অদুগা কুমজা ২০১৪গী মমাংদা শাখিবশিংনা অয়াবা পীননবা মণিপুর লৈঙাক্কী কেবিনেট মীফম্না হৌখিবা দিসেম্বর ১৬তা লৌখিবা ৱারেপ অদু হীরম অমত্তদা য়াবা ঙম্লোই হায়না ইরাবত ফাউন্দেসন মণিপুরগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

ইরাবত ফাউন্দেসন মণিপুর (আই এফ এম)গী সেক্রেটরি জেনরেল কে ঐচ গোপেন লুৱাংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, কুমজা ২০১৪গী মমাংদা লৌফমদা য়ূম-কৈ শাজিনবশিংবুনা অয়াবা পীরগা মসিগী মতুংদা শাজিনখিবশিংগী মথক্তা থবক লৌখৎকনি হায়রিবসি খ্বাইদগী ঙকপা ৱারেপনি হায়না লৌদবা ঙমদে। হীরম অসিদা মিনিষ্টর, এম এল এশিংনা থৱায় য়াম্না য়াওশিল্লিবসিগী মরম লৈব্রা হায়বসি চিংনদবা ঙমদে। মণিপুরগী লৈরিবা লৌফমশিং কন্নবগীদমক মতীক চাবা থবক পায়খৎপীয়ু হায়দুনা ইরাবত ফাউন্দেসন মণিপুরনা লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর, মণিপুরগী গভর্ণর অমদি চীফ মিনিষ্টরদা হঞ্জিন-হঞ্জিন্না ৱাফম কয়া থমখ্রবনি। অদুবু শেঞ্জাও পায়বা লৌফম, ইম্ফোল প্লোট য়াম্না লৈবা ঙম্বা মীওই খূজোক খরগী য়েংলগা লৈঙাক্না লৌরক্লিবা ৱারেপ অসি হন্দোকপীয়ু। চীঞ্জাক্তা মীপান তাংদনবা, মতৌ করম্না পোথোক হেন্না পুথোক্কদগে হায়বগী মতাংদা লৈঙাক্না ৱাখল থাদবীবগী মহুৎতা নোংমা-নোংমগী লমদমসিগী লৌফমশিংদা স্কুল, কোলেজ, শোপ্পিং মোল শাজিল্লক্লিবা অসি কন্ননবা খন্নবীদবা অসি লাইবক থীবনি। মীওই খরগী লন্নাই ফুরিৎখাউ চোন্ননবা থৌশিলদা লৈঙাক্না শৌগৎপা অসি লাইবক থীবনি। মসিদি তশেংনা লায়রবা মীয়াম্বু শৌগৎপা থৌশিল নত্তে। শেঞ্জাও পায়বা মীওই খরগী ইন্টরেষ্ট ওইগদবা থৌশিললনি হায়না লৌই।

ইরাবত ফাউন্দেসন মণিপুরনা করিগুম্বা মখল অমত্তদা লৌফম মাঙবা য়াবগী ৱাফমশিং য়াবা ঙম্লোই। কুমজা ১৯৮০দগী কুমজা ২০১৪ ফাওবদা কনা-কনানা লৌফমশিং লৈখিবগে হায়বগী লিষ্ট অমা অথুবা মতমদা লৈঙাক্না মীয়াম মাংদা পুথোক্তুনা খঙহনবীয়ু। মতমদুতদা কনা-কনাগী লৌফমশিং য়াওবগে হায়বদু ময়েক শেংনা খঙবা ঙমগনি। মসিগীসু মথক্তা অঙম-অথৌ শেঞ্জাও পায়বা কয়া য়াম্না য়াওবগে হায়বসু ইরায় লায়না খঙগনি। মরম অসিনা মণিপুর লৈঙাক্কী কেবিনেটনা লৌখিবা ৱারেপ অসি হীরম অমত্তদা য়াবা ঙম্লোই, রিভিয়ু তৌবীয়ু। মীয়ামগী চীফ মিনিষ্টরনি হায়না লৌনরিবা নোংথোম্বম বিরেননসু হীরম অসিগী মতাংদা অখন্নবা মীৎয়েং চঙবীরক্কনি হায়বগী থাজবা থম্মী। কা হেন্না লৌফম লৈশিল্লুবা মীওই খূজোক খরগী ইন্টরেষ্টতা চঙশিনবীগনু। লৌফম কন্নবগী ৱাখল্লোননা মাং থাবীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

য়ুনিভর্সেল ফ্রেন্দশিপ ওর্গনাইজেসন তোপ য়ারল কোঞ্জিনগী রেজিং দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯ (ঐচ এন এস): য়ুনিভর্সেল ফ্রেন্দশিপ ওর্গনাইজেসন (য়ু এফ ও), তোপ য়ারল কোঞ্জিনগী ১৭শুবা রেজিং দেগী থৌরম ঙসি ওর্গনাইজেসন অসিগী শঙলেন্দা পাঙথোকখ্রে।

কৈরাও এ সীগী এম এল এ, এল রামেশ্বরনা ফিরাল চিংখৎতুনা থৌরম অদু হৌদোকখি। থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা লৌরেম্বম রামেশ্বরনা ফোঙদোকখিবদা, সটজাল একাদেমীগী ওজা চূড়াচান্দ কে সী এস আই অমদি আর কে সনাহলনা তৌরম্বা কয়া অদুনা ঙসিদি মশিং হেনগৎলকপসি নুংঙাই। থৌরম অসি য়াম্না মপুং ফানা য়াওনিংই। মীয়ামগীদমক য়াম্না মরুওইবা অমনি। লৈবাক্কী লুচিংবা অমনা হায়খিবা ৱা ঙাক্লক্কনি খল্লি। সটজালগী মখা তাবা শঙশিং চীফ মিনিষ্টরনা শোকহল্লোই হায়বগী থাজবা পীখিবনি। শঙশিং থোইদোক্লা মীপায়নিংঙাই লৈতে। লৈঙাক্কী অকনবা ওর্দর লাক্লগসু থোইদোক্লা অকায়বা তৌরোই। করিগুম্বা তৌরকপা তারবসু মাঙ থানা হোৎনগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা য়ু এফ ওগী কম্মান্দর ঐচ নাওখোম্বনা হায়খি, ঙসি রেজিং দেগী থৌরম পাঙথোক্লিবসি য়াম্না মরুওইবা অমনি। ঐখোয়গী কলচর য়োকখৎপনি। ঐখোয়গী মাঙথরক্লবা চহী লিশিং ৩ শুরগদবা কলচর ঐখোয়গী লাইনিং-লাইশোন, চৎনবী কয়া মাঙখিবা অসি হঞ্জিনহনবা তাই। থকশি-খাশি লৈরক্তুরবদি অরুবা ফীভম লাক্কনি। শঙলেন ২২৭ লৈরে। বট্টালিয়ন ৩৮ লৈ। জিরি, কছার, অসাম, ত্রিপুরাসু য়াওরি। চহী খুদিংগী রাউন্দ ওইনা ঐখোয় হিংলি হায়বসি খঙনবা থৌরম ওইনা পাঙথোকপনি। অসিগুম্বা থৌরম অসি য়াম্না মরুওই। য়ু এফ ওগী থৌমীশিংনা অসিগুম্বা থৌরম অসি য়াম্না মরুওইনা লৌই। মখা তানা অসিগুম্বা থৌরম পাঙথোকপা মতমদসু থৱায় য়াওনা শরুক য়াগনি। কলচর য়োকখৎপা অমদি ঙাক্তুনা থম্বা হায়বসি মরুওইবা থৌদাংনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

Regd. No. : KNL/497/(CE) of 2018 (I/W)

SANGAI TUTORIAL

Kwakeithel near Imphal College, Imphal

ADMISSION OPEN

REVISION COURSE for

CLASS -XII Sc. (COHSEM) & CLASS -X(BOSEM)

4th Nov. 2019 (4:00/4:30 p.m. - 7:30)

5th Dec. 2019 (3:30 p.m. - 7:30)

HSE Result 2019

19th POSITION HSE 2019

Rakesh Ningthoujam

FOUNDATION COURSE for

CLASS -X(BOSEM)

9th Dec. 2019 (4:30 p.m. - 7:30)

HSLC Examination Result 2019 at a GLANCE

13th POSITION HSLC 2019 — Nongmaithem Zeno

17th POSITION HSLC 2019 — Jessica Wahengbam

23rd POSITION HSLC 2019 — Kahajam Jaya Devi

24th POSITION HSLC 2019 — Rushely Laishram

Faculties :

Former Head Examiner, Assitant Head Examiner, Co-ordinator, Board Examiner and Lecturers from reputed Higher Secondary School.

Special features :

- ➡ Mock-Test Series (Sunday and provide four Question Set for each subject).
- ➡ We provide printed probable questions and answers.
- ➡ Hostel/Boarding for Boys &Girls.
- ➡ Van Services

Form available at 'Sangai Hostel' kwakeithel Ningthemkol

Contact : 8413855751

HL-B/4082/14 oct. - 1 nov.

OFFICE OF THE SECRETARY

K. M. BLOOMING HR. SEC. SCHOOL KHANGABOK.

(Govt. recognized, affiliated to BOSEM & COHSEM)

EMPLOYMENT NOTICE

Applications are invited from the intending candidates for the following post laying vacant in this institution as follows :

Sl. No.	Name of Post	Minimum Qualification	No. of Post	Salary (INR)
1	Chemistry Asst. Teacher	Graduate in Chemistry	03	10000 – 15000
2	Physics Asst. Teacher	Graduate in Physics	03	10000 – 15000
3	Home Science Asst.Teacher	Graduate in Home Science	02	10000 – 15000
4	Bio Asst. Teacher	Graduate in Biology	02	10000 – 15000
5	Manipuri Asst. Teacher	Graduate in Manipuri	02	10000 – 15000
6	Hindi Asst. Teacher	Graduate (Ratna) in Hindi	03	10000 – 15000
7	English Asst. Teacher	Graduate in English	05	10000 – 15000
8	Fine Arts Asst.Teacher	Graduate in Fine Arts	02	10000 – 15000
9	Maths Asst. Teacher	Graduate in Maths	03	10000 – 15000
10	Music (Eshei Nongmai)Asst Teacher	Graduate (Visarat) in Music (Eshei Nongmai)	02	10000 – 15000
11	Physical Education Asst. Teacher	Graduate/B.P.Edn. & 1year teaching experience	04	10000 – 15000
12	Computer Science Asst. Teacher	Graduate in Computer Science (PGDCA)	03	10000 – 15000
13	Staff Nurse	ANM/GNM	1	8000 – 12000
14	Chowkidar	Class – X pass	2	6000 – 9000

Willing candidates may apply through a prescribe application form which can be obtained from the school counter on or before 30th Dec, 2019 during office hour.

N.B.: 1. D.El. Ed. (Pursuing or completed) is compulsory for every candidates for Assistant Teachers.
2. Candidates may also apply for the post of Assistant Teacher cum Warden. Salary is Rs. 18000 – 25000 for warden.
3. Preference will be given to those candidates who are having more experience and higher qualification.

Detail information can be had from the following contact number. Phone : 8787675496
E-mail : rk_khun@yahoo.com

Admission Open for Class Pre-Nursery to IX for the Academic Session-2020

Sd/-
Secretary, KMBHSS, Khangabok.

HL-P/5540/20